# কুমগী অকনবা নোংজু লাকপদা মুম্বাই অসুং থানেদা ৩, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ৬ শিখ্রে



***মুম্বাই।কোলকতা, জুন ২৫ ঃ*** কুমসি চহীগী নোংজু থা লাকখিবগা লোয়ননা নোং কন্না চুথরকখিবদা মহারাষ্ট্র অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পূন্না মী ৯ শিখ্রে।

মুম্বাইদা সাউথৱেষ্ট মোনসুন খোঙলৈ য়াঙখৎলকখিবগা লোয়ননা সিটি অসিদা অমসুং থংনবা থানেদা অকনবা নোং চুথরকপগা মরী লৈননা মীওই অহুম শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মেট্রোপোলিস অদুদা অমসুং থানে দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং অহিং চুপ্পা নোং য়াম্না কন্না চুথরকখি অমসুং ঙসি অয়ূক ফাওবা মখা তানা নোং চুখি। মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনখিবনা সবঅর্বান ট্রেনশিং চেনবা তপথখি অমসুং ওফিস চৎপা মীওইশিং খুদোং চাহনখিদে।

সাউথ মুম্বাইগী মেট্রো সিনেমা মনাক্তা ঙরাং নুমিদাং উ পাম্বী অমা তেকথরকপগী নন্দুনা মীওই অনী শিখি হায়না ব্রিহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সি) গী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট য়ুনিটকী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

থানে দিষ্ট্রিক্ট অম্বেরনাথ তালুকাগী ৱাদোল খুলদা ঙসি অয়ূক পুং ২.১৫ রোম তাবদা চহী ১৩ গী নুপামচা অমা থংনবদা লৈবা ৱাল অমনা মখোয়গী য়ূমদা কিন্থরকপদগী শিখি অদুগা মহাক্কী মমা-মপা শোকখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা থানে সিটিদা হাউসিং কমপ্লেক্স অমগী ফুট ৬৫ শাংবা কম্পাউন্দ ৱাল ঙসি অয়ূক নীংখাইরকপদা কার অনী অমসুং অতোপ্পা গারী অমা নন্দুনা পুংসুপ শুপচিনখ্রে। হৌখিবা পূং ২৪ দা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এম এম ২২৯.৮১ গী নোং চুখি। মুম্বাইদসু কার ১৫ রোম অমসুং অতৈ গারী কয়ামরুম অতেক-অকায়শিংনা ফুমজিনখি।

ধারাবি, সিওন, মতুঙ্গা, হিনমাতা, মালাদ, কুরলা, অন্দেরি সবৱে, ভান্দুপ, ৱোর্লি অমসুং লোৱার পারেলনচিংবা সিটি অসিগী অতৈ মফম কয়ামরুম ফুট ৩ ফাওবা ৱাংনা ঈশিংনা থুমখ্রে।

হৌখিবা পূং ২৪ দা মুম্বাইদা এম এম ২৩১.৪ গী নোং চুখি হায়না ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি) গী ওফিসিয়েল অমনা মফম অসিদা ফোঙদোকখি। অদুগা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা সন্টাক্রুজ ৱেদর ষ্টেসন্না এম এম ২৩১.৪ গী নোং চুখিবগী রেকোর্দ তৌখি। নোং চুবগী চাং অসি য়াম্না শাথিনা কনবগী কেতেগোরিনি হায়না আই এম দি মুম্বাই দাইরেক্তর অজয় কুমারনা এজেন্সিদা হায়খি।

ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেটতসু মোনসুনগী অকনবা নোং চুথরকখ্রে অমসুং নোংলৈ-নুংশিৎ শিংখ্রে, লোয়ননা ব্রজ তাবদা মীওই মঙা অমসুং ঈশিং ঈরাক্লবদা মীওই অমা শিখ্রে হায়না ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

পুরুলিয়া দিষ্ট্রিক্ট ভোস্রাগোরা খুলদা চহী তরেৎকী নুপামচা অমা অমসুং নোর্থ ২৪ পরগানাগী ক্যতেপারা অমসুং বাসিরহাট ব্লোক্কী রাজেন্দ্রপুরদা মীওই অনী ব্রজ তাবদা শিখি।

সাউথ ২৪ পরগনা দিষ্ট্রিক্টকী চারপারা খুলদা নুপী অমা অমসুং উত্তর চন্দনপিরি খুলদা নুপা অমসু ঙসি অয়ূক ব্রজ তাবদা শিখি। কুচ বিহার দিষ্ট্রিক্টকী মেখলিগঞ্জদা সুতুঙ্গা তুরেলদা ঈরাক্লবদা চহী ১৮ শুরবা মীওই অমা শিখি হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওফিসার অদুনা হায়খি।

# মনিং তম্বা ফোরেন পোলিসিগা লোয়ননা নেপালনা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগা অনকপা মরী লৈনগনি ঃ ওলি



***বৈজিং, জুন ২৫ ঃ*** নেপালনা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরক্তা থোং অমা ওইবগী থৌদাং লৌবা ঙমগনি হায়না নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি ওলিনা ফোঙদোকখ্রে। য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীমক অসিদা মহাক্কী লৈবাক্না নকশিন্নবা মরীশিং থম্নবগা লোয়ননা নীংতম্বা ফোরেন পোলিসি চত্থগনি হায়না মহাক্না চেৎনা পনখি।

নুমিৎ ৫ গী খোঙচৎতা মফম অসিদা লৈরিবা নেপাল প্রাইম মিনিষ্টর ওলিনা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমসুং প্রেমিয়র লি কেকিয়াংগা ৱারী শান্নখি মদুগী মতূংদা নাকল অনীগী মরক্তা তেংবাংনবগী দোকুমেন্ট ১৪ গা লোয়ননা টিবেটকা কাদমন্দুগা শম্নহনগদবা রেলৱে লিঙ্ক অমা শেমগৎনবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা সহি তৌনখি।

চিনাগী গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা পাউ-চে গ্লোবেল টাইমসতা পীবা ইন্টর্ভিউ অমদা ওলিনা হায়খি, মহাক্কী গভর্ণমেন্ট লৈরকখিবা মতমদগী হৌনা নেপালনা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীমক অসিদা মরী লৈনবগী থবকশিং হান্নদগী হেন্না কনশিল্লকখি। ঐখোয়না অতোপ্পা কনামত্তগী মখা পোন্দনা নীংতম্বা ফোরেন পোলিসি অমা চত্থে হায়বসি ঐখোয়না ময়েক য়াম্না শেংনা ফোঙদোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা ইন্টর্নেস্নেলগী মরীশিংদা অরুম অয়াং খল চান্নবগী মীৎয়েং অমদা চৎখে হায়না মহাক্না হায়খি।

নেপালবু ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরক্তা লেন্দ ওফ দি কম্পিটিসন নৎত্রগা ব্রিজ ওফ কোওপরেসন ওইগদ্রা হায়না হংলকখিবা ৱাহং অমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওলিনা হায়খি, ঈতিহাস হেক লৈরকখিবদগী নেপালনা সোবরেন অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট নেসন অমা ওইনা হৌজিক ফাওবা লৈরক্লি।

ঐখোয়গী য়ূম্লোন্নবশিংগী সোবরেন ইন্টরেষ্টশিংগী মায়োক্তা ঐখোয়গী টেরিতোরিবু শীজিন্নবা য়াহন্দনবা ঐখোয়না অচেৎপা ফিরেপ লৌই। ঐখোয়না মসি ঙাক্তুনা থম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে অমসুং ঐখোয়গী য়ূম্লোন্নবশিংদগীসু মসিগা মান্নবা থাজবশিং চেৎকনি হায়না ঐখোয়না আশা তৌই হায়খি।

টিবেট-কাদমান্দু রেলৱে লিঙ্ককী মতাংদা মহাক্না ফোঙদোকপদা লৈবাক অমগা অমগগী ঙমখৈদা ফাউদোক-ফাওজিন তৌনবা অসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী মাঙজিন থাবা থবক অমনি খল্লি। নাকল অনীমক্না মল্টিদাইমেনস্নেল ট্রান্স-হিমালায়ান কন্নেক্টিভিটি নেটৱার্ক অমা শেমগৎনবা খন্নখ্রে। মসিনা ঐখোয়গী লৈবাক অনীগী মরক্তা লম্বী ফাওনবা হীরম পূম্নমক ফগৎহল্লগনি হায়না নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর ওলিনা মখা তাখি।

## বাবা রামদেবগী ৱেক্স ষ্টেচু লন্দনদা উরগনি

***ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ ঃ*** লন্দনগী মেদাম টুসাউদসতা বাবা রামদেবগী ৱেক্স ষ্টেচু অমা থুনমক লৈরগনি হায়না ঙসি যোগ গুরু অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি মদুদি মমিং চৎলবা ম্যুজিয়ম অসিদা মহাক্কী মূর্তি অদুনা যোগিক লাইফষ্টাইলবু পাম্নহন্নবা মালেমগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা ঈথিন পীগনি।

পতাঞ্জলিগী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা এস কে তিজারাৱালানা ফোঙদোকপদা ৱেক্স ষ্টেচু অদু থম্নবগী ৱাফম অদু থা খরগী মমাঙদা রামদেবনা ফংখ্রে অমসুং য়াম্না কন্না তক্লরকখ্রবগী তুংদা রামদেবনা মদু য়ারে হায়না ৱারেপ লৌখিবনি হায়খি।

মেদাম টুসাউদস লন্দনদা হান্নদগী হৌনা ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা মীওই কয়াগী ৱেক্সনা শাবা শক্তমশিং লৈরে। শক্লাইরবা ইন্দিয়ানশিং অদুগী মনুংদা অমিতাব বচ্চন, সচিন টেন্দুলকর, সাহ রুখ খান, সলমান খান, আইস্বর্য্য রাই বচ্চন, কট্রিনা কাইফ অমসুং অতৈশিংনি।

হৌখিবা চহীদা সেন্টর দিল্লিগী কোন্নোট প্লেসতা মেদাম তুসাউদসকী ব্রাঞ্চ অমা হাংদোকখি। দিল্লিদা নৌনা হাংদোকখিবা হায়রিবা ম্যুজিয়ম অদুদা বোল্লিৱুদ অমসুং হোল্লিৱুদতগী মমিং চৎলবা মীওইশিং, মমিং চৎলবা ম্যুজিসিয়ানশিং অমসুং অফাওবা পোলিটিসিয়ানশিং ফাওবগী ৱেক্সতা শাবা শকমান্নবা মূর্তিশিং থম্মী।

## ইন্দিরা গান্ধীবু হিটলরগা মান্নে হায়না অরুন জেটলিনা ফোঙদোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ ঃ*** ইন্দিয়াদা ইন্দিরা গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ইমর্জেন্সি চল্লাইখিবা অদুগী চহী ৪৩ শুরকপদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীবু হিটলরগা মান্নে হায়না ঙসি শাথিবা মওংদা চৈখ্রে।

কুমজা ১৯৭৫ দা ইন্দিরা গান্ধীনা লৈবাকসিদা ইমর্জেন্সি থমজিনখি। মতমদুগী কংগ্রেস গভর্ণমেন্ট অদুনা মরু ওইখ্রবা ফন্দামেন্টেল্ট রাইটশিং কককথৎখি। মেদিয়াদা অকনবা অথিংবা থমখি। ওপোজিসন লুচিংবা অমসুং এক্টিভিষ্ট কয়াবু ফাদুনা জেলদা নমশিনখি। অমরোমদা হিটলরনসু পার্লিয়ামেন্টকী ওপোজিসন অয়াম্বা ফাখি। অদুগা মাগী মাইনোরিটি গভর্ণমেন্টপু ২/৩ মেজোরিটি গভর্ণমেন্ট ওন্থোকখি। ইন্দিরা গান্ধীনসু ইন্দিয়াবু দায়নাষ্টিক দেমোক্রেসি অমা ওইনা ওন্থোক্লবা থবক চত্থরমখি হায়না অরুন জেটলিনা ট্যুটরগী খুত্থাংদা ফোঙদোকখি।

অরুন জেটলি মশামক ১৯৭৫ গী জুন ২৬ তা প্রোটেষ্ট অমা ওর্গনাইজ তৌবগীদমক জেলদা থমজিনখি। অসুম্না ইমর্জেন্সি অদুগী মনুংদা মহাক মশামক অহানবা সত্যগ্রহি অদুনি হায়না মহাক্না নীংশিংখি। মতমদুগী কংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুস্নেল প্রেভিজনশিংবু দেমোক্রেসিবু কন্সটিট্যুস্নেল দিক্টেতরসিপ অমদা ওন্থোক্লবা শীজিন্নখি হায়না মহাক্না হায়খি।

# অরোনবা মরী লৈনবগী মতাংদা অসামদা নুপী অমগা নুপা অমগবু খুঞ্জাশিংনা ফুবীখ্রে অমসুং নুপী অদু মরু কোকথোকখ্রে

***নাগাওন, জুন ২৫ ঃ*** অসামদা মফম মরাং খঙদবা মীওই খূৎপু অমনা মীওই অনীবু ফুদুনা হাৎখিবগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা ষ্টেট অসিগী নাগাও দিষ্ট্রিক্টতা অরোনবা মরী লৈনৈ হায়বগীদমক খুঞ্জাশিংনা নুপী অমগা নুপা অমগবু ফুবীখ্রে অমসুং নুপী অদু মরু কোকথোকখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই নিপান ফাগৎখ্রে অমসুং মখা তাবা ৱাহং-পাউহংগী থবক চত্থরি।

অরুবা ফিভমদা শোক্লবা নুপী-নুপা অদুগী মফি মরোল ঈনা পুমচোৎ চোৎলে অমসুং মখোয়বু ঙসি অয়ূক পুলিসনা ভোগোস্বরি ফুকানানি সিভিল হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে।



ঙরাং নুমিদাং থংনবা টুবুকি খুলদগী নুপা অমনা ঝুমুরমুর খুলদা লৈবী নুপী অমবু মহাক্কী য়ূমদা উন্নবা হেক লাকখিবা মতুং থুনমক নুপীশিং য়াওনা খুঞ্জাশিংনা য়ূমদুগী মপানদা পুল্লখি। হায়রিবা নুপী-নুপা অনীমক লুহোংলবা মীওই ঙাক্তনি অমসুং মখোয় মতৈ-মনাওনি হায়না মীনম্বনি হায়না খুঞ্জাশিং অদুনা মরাল শীখি। মখোয়না তৌরিবা অদু আইননা য়াদবা নত্তবী লীচৎকা মরী লৈনবনি হায়খি অমসুং ফুবা হৌখি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

নুপা অদুনা মীয়াম অদুদগী নান্থোক্লবা হোৎনখি অদুবু খুঞ্জাশিংনা মহাকপু ফারগা পুনশিনখি অমসুং অমুক্কা হেন্না শাথিনা ফুখি। খুঞ্জাশিংনা মখোয় অনীবু ফুখি।

মীয়াম মরক্তুদগী নুপীশিং থোক্লক্তুনা হায়রিবা নুপী অদুবু মকোক শিৎ-নান্না কোকথোকখি। মখোয়গী মফি মরোলসু মচেৎ-মচেৎ শেগাইখি অমসুং অহিং চুপ্পা অদু মখোয়বু ওৎ-নৈখি। খুঞ্জাশিং অদুনা ঙসি অয়ূক্তমক পুলিসতা পাউ পীরকখি হায়না ওফিসার অদুনা মখা তাখি।

ঐখোয়না মফম অদুদা খোঙলৈ থুনা চঙশিনখি অমসুং খুঞ্জাশিং অদুনা নুপী অমসুং নুপা অদুবু খূৎশিন্নরকখি। মখোয় ফিভম থিনা শোক্লে অমসুং হোস্পিটালদা পুখৎখি হায়না নাগাও দিষ্ট্রিক্ট এদিস্নেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এ এস পি) রিপুল দাসনা হায়খি।

অসামদা থা অসিগী মনুংদা থোকপা অচৌবা থৌদোক্তা মসিনা অহুমশুবা থৌদোকনি। খুঞ্জাশিংনা মখূৎতা আইন পায়রগা মীওই কয়াবু ফু-চৈবগী থৌদোকঅসি তোয়না থোকই হায়না ওফিসার অমনা হায়খি।

কর্বি আলোংদা লৈবা ফজরবা কাংথিলাংসো ঈশিং চাইবিশিং য়েংবা চৎপা নিলোটপাল দাস অমসুং অভিজিট নাথ কৌবা মরুপ অনীবুসু থা অসিদা খুঞ্জাশিংনা অঙাং ফাবশিংনি হায়না চিংনবদগী ফুরগা হাৎতোকখি।

হৌখিবা চয়োলদসু মোতোর সাইকল অমদা নুপী অমগা নুপা অমগা গোলপারা দিষ্ট্রিক্টকী পুখুপুরদা লাকপদা মখোয় লুহোংদ্রিবশিংনি অমসুং মফম অসিদা অশুম্না পুন্না চৎপা হায়বসি চৎনদবা মওংনি হায়রদুনা মীওই খূৎপু অমনা ফুখিবনি।

## মী ৯৭ হাৎখিবগী কেসতা চেন্নবশিং কোর্টনা চহী ১০ গী চৈরাক পীখ্রে

***অহমেদবাদ জুন ২৫ ঃ*** গুজরাট ষ্টেট শিনবা থুংনা কাঙলুপ মশেনগী মরক্তা হিংশা থোকহল্লকখিবা গোধ্রাদা সবরমটি এক্সপ্রেস ট্রেন মৈ থাখিবগী নোংমগী মতূং ফেব্রুৱারী ২৮, ২০০২ দা অহমেদবাদকী নরোদা পাটিয়াদা মাইনোরিটি কম্যুনিটিগী অয়াম্বা ওইনা মীওই ৯৭ পু মীওই খূৎপু অমনা হাৎখিবগী কেসতা ঙসি গুজরাট হায়কোর্টনা কনভিক্ট অহুমদা চহী ১০ জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীনবা লাওথোকখ্রে।

চৈরাক ফংনবা রাই পীখ্রবা মীওই অহুম অদুদি পি জে রাজপুট, রাজকুমার চাওমাল অমসুং উমেশ ভরৱাদনি।

এপ্রিল ২০ দা কেস অসি থাঙ্গৎলকপা আপিলশিংগী মতাংদা পীবা ওর্দরদা হায়কোর্ট অসিনা বজ্রং দল লীদর বাবু বজ্রঙ্গি য়াওনা মীওই ১৬ কনভিক্সন পীখি অদুগা হান্নগী বি জে পি মিনিষ্টর মায়া কোদনানি য়াওনা মীওই ১৮ মরাল লৈতে হায়না থাদোকখি।

## স্ক্রেপ দুকানদা পোকখাইবদা ৪ শিরে

***মুজাফরনগর, জুন ২৫ ঃ*** উত্তর প্রদেশকী মুজাফরনগরদা য়োৎতেক-থাংতেক য়োনবা দুকান অমদা ঙসি অয়ূক য়াম্না শাথিনা পোকখাইরকখিবগী থৌদোক অমদা মীওই মরি শিরে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শোকখ্রে।

থৌদোক অদু য়াম্না মরু ওইবা সিভিল লাইন এরিয়াদা ঙসি অয়ূক পূং ৯.৪০ দা থোকখিবনি। শিখিবা অদুদা স্ক্রেপ দিলর অদুসু য়াওখ্রে।

# নাইজেরিয়াদা খূৎ থোক্লরকপদা ৮৬ শিখ্রে

***জোস, জুন ২৫ ঃ*** নাইজেরিয়াগী ইরাং কনবা লমদমদা নোমেদিক হারদরশিং ওইগনি চিংনবশিংনা লৌউ-শিংউ তৌবা কাঙলুপকী মথক্তা চত্থরকখিবা এটেকতা য়ামদ্রবদা মীওই ৮৬ শিখ্রে। থৌদোক অদুগী মতূংদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মুহম্মাদু বুহারিনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা মীয়ামবু ৱাখল ফাথনবা অমসুং ইংথনবা আপিল তৌখ্রে।

প্লেটু ষ্টেটকী বারিকিন লাদি এরিয়াদা থোকখিবা থম্মোয় শোক্লবা থৌদোক অসি ফুলানি হারদরশিংগী মথক্তা ইথনিক বেরোম ফার্মরশিংনা শগোলশেন নুমিত্তা এটেক তৌরকপদগী নুমিৎ কয়ানিগী হিংশা থোকখিবগী মখা তারকপনি।

থাংজ নুমিত্তা শা-ষণ লোয়বা কাঙবুশিংগা লৌ-উবা কম্যুনিটিশিংগা খূৎ থোক্লখিবা অদুগী মতূংদা মফম অদুদা থি-হুস্বগী থবক চত্থবদা পূন্না মীওই ৮৬ শিরম্বা থেংনখি হায়না পুলিস কম্মিস্নার অনদাই এদিনা ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুদা য়ূম য়াঙ্খ্রে মৈনা থাদোকখি অমসুং মীওই ৬ শোকখি।

শিরবা মীওইশিং অদুগী হকচাংশিং অদু মখোয়গী ইমুং মনুংশিংদা খূৎশিন্নখ্রে।

থোক্লিবা মীশি-মীনাগী থৌদোক অসি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট বুহারিগী মথক্তা শাফু পীথরক্লিবা লম অমসুং রিছোর্সশিংগী মতম কুইনদগী চত্থরকপা লানগী খ্বাইদগী নৌবা থৌদোকনি।

ইথনিক রিলিজিয়স অমসুং পোলিটিকেলগী মুক্নবশিংনা থোকহল্লিবা হিংশানা লৈবাক অসিদা চহী দিকেট কয়াদা মীওই লীশিং কয়া শিহনখ্রে।

থোকহল্লিবা থৌদোক অসি নাইজেরিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা সেক্যুরিটিগী নুংনাংবা অমা ওইরবা য়াই। মসিনা কুমজা ২০০৯ দগী হৌনা য়ামদ্রবদা মীওই লীশিং ২০ শিখ্রবা বোকোহরামগী ইস্লামিক লানহৌ অদুদগীসু হেল্লম্বা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা থাজবা ফোঙদোরক্লি।

প্রসিদেন্ট বুহারিনা মীয়ামবু ঈং-তপথনা লৈনবা আপিলশিং তৌখ্রে অমসুং চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা অচুম্বা ৱায়েল পীনবা অখাকপা অমত্তা লৈরোই অমসুং মখা তাবা এটেকশিং থিগনি হায়না থাজবা পীখ্রে হায়না প্রসিদেন্টকী ওফিসনা হায়খি।

হৌজিক ইরাং অসিগী মতূংদা লো এন্দ ওর্দরদা কায়থরকপা থিংনবা রিয়োম, বারিকিম লাদি অমসুং জোস সাউথ এরিয়াশিংদা চখোক-চৎশিনগী অথিংবশিং থমখ্রে। কার্ফিয়ু অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌগনি। তঙাই ফদবা দ্যুটিশিং তৌবা মীওই নত্তনা নুমিদাং পূং ৬ তগী অয়ূক পূং ৬ ফাওবা চখোক-চৎশিন থিংলে হায়না প্লেটু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোয় রুফুস বাটুরেনা হায়খি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা ইথনিক বেরোম নহারোলশিংনা জোস-অবুজা হায়ৱেদা লম্বীদা শম্বনশিং খাদুনা থিংখি অমসুং ফুলারি অমসুং মুস্লিম মানবা মোতোরিষ্টশিংবু এটেক তৌখি হায়না অদুগুম্বা থৌদোক্তগী নান্থোক্তুনা লাকখিবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

ঙরাংগী থৌদোক্তা মী শিবগী ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট লৈতে অদুবু হিংশা অদুদগী নান্থোক্লকখিবা বাবা বালানা ফোঙদোকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ হাৎখ্রে হায়খি।

ঐগী ৱিনক্রিন কায়বগা ঐহাক্না নান্থোক্লকখি। ঐনা অশিবা হকচাং তরুক অমসুং তেক-কায়রবা কার কয়ামরুম উরকখি হায়না মখা তাখি।

হৌখিবা দিসেম্বর থাদসু অদামাৱাগী নুমন এরিয়া অমসুং দেমসাদা শা লোয়বশিংগা ফার্মরশিংগগী মরক্তা মীশি-মীনা থোক্না খূৎ থোক্লখি। ফার্মরশিংগী মপান্দা লৈবা লক্মাংদা ফুলানি শা লোয়বশিংনা মখোয়গী শা-ষণশিং শজিক পীজবদা ফার্মরশিংনা থিংবদগী হিংশা থোক্লকখি। মদুদগী ফার্মরশিংনা ফুলানিগী য়ূমশিং মৈ থাখি। মদুগী লমন খুম্বা ওইনা ফুলানি ট্রাইবনসু দোৱায়ানদা চৎখ্রগা য়ূম কয়ামরুম মৈ থাদোকখিবনি।

## থাইলেন্দগী কেভ মনুংদা থোকপা ঙমদনা লৈখ্রবা অঙাং ১২ কন্নবা হোৎনরি

***বেঙ্কোক, জুন ২৫ ঃ*** অৱাং থংবা থাইলেন্দদা নোংলৈ-নুংশিৎ অমগী মতূংদা ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা কেভ অমদগী নুমিৎ নীনি থোকপা ঙমদনা লৈখ্রবা অঙাংশিংগী ফুটবোল টিম অমা রেস্কু তৌনবা অঙকপা মওংগী অন্দরৱাতর রেস্কু মিসন অমা চত্থবা হৌখ্রে হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নুপামচা ১২ অমসুং মখোয়গী কোর্চনা নপ্তুনা লৈরমগনি থাজবা চাউরবা কেভ অদুগী মনুংদা অচৌবা চেম্বর অমদা ডাইভরশিংনা থুংখ্রে হায়না চিয়াং রাই প্রোভিন্সকী দিপুটি গভর্ণরনা হায়খি।

কিলোমিটর ৩ ফাওবা য়ৌনা শাংবা কেভ অদুগী শরুক অসিদা মখোয় লৈরমগনি হায়না ঐখোয়না খল্লি। থাংজ নুমিৎতগী হৌনা মখোয়না করিগুম্বা অমত্তা চারক্ত্রি মরম অদুনা ঐখোয়না মখোয়গীদমক চান-থক্লবা পুরক্লি হায়না পাসাকোর্ন বুনিয়ালুগনা হায়খি।

নুপামচাশিং অদু চহী ১১ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনি। মখোয়গী কোর্চকা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা ম্যান্মার অমসুং লাউসকী ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা নেস্নেল পার্ক অমগী থাম ওৱাং কেভকী মনুংদা চঙখিবনি।

## ইন্দিয়া, সিচিল্লিজনা এজুম্পসন আইলেন্দদা নেভেল বেজ লীংখৎপা য়ানখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ ঃ*** ইন্দিয়ান প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা সিচিল্লিজগী প্রসিদেন্ট দেন্নি ফাউরেগা ৱারী শান্নরবা তুংদা অমনা অমগী ৱাখল অদু মাঙদা থম্লগা এজুম্পসন আইলেন্দদা নেভেল বেজ অমা লীংখৎনবগী প্রোজেক্ট অমা পূন্না থবক তৌমীন্নবা ঙসি লৈবাক অনী অসিনা য়ান্নখ্রে।

সিচিল্লিজগী দিফেন্স কেপাবিলিটিজ হেন্না কনখৎহন্নবগীদমক ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিদা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১০০ গী লোন অমসু লাওথোকখ্রে।

দোল্লর মিলিয়ন ১০০ গী ক্রেদিট অসিনা সিচিল্লিজগী মেরিতাইম কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা দিফেন্স ইকুইপমেন্ট লৈবা ঙমহল্লগনি হায়না প্রসিদেন্ট ফাউরেগা লোয়ননা জোইন্ট মেদিয়া ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

হায়রিবা ঈথৎ অদুদা নেভেল ফেসিলিটি অমা লীংখৎনবগী প্রোজেক্ট অদুনা ইন্দিয়ান ওসিন রিজন অসিদা ইন্দিয়াবু ষ্ট্রেতেজিক্কী ওইবা খুদোংচাবা অমা পীরগনি হায়না মোদিনা হায়খি।

ঐখোয়না অমগা অমগগী হকতা য়ূম্ফম ওইরগা এজুম্পসন আইলেন্দ প্রোজেক্টতা পূন্না থবক তৌমীন্নবা ঐখোয়না য়ান্নরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সিচিল্লিজগী প্রসিদেন্টনসু মহাক্কী ৱারোলদা এজুম্পসন আইলেন্দ প্রোজেক্ট অদু কুপ্না খন্ন-নৈনরে। অনীমক্কী ইন্টরেষ্টশিং ৱাখলদা থম্লগা লৈবাক অনীমক্না প্রোজেক্ট অদুগীদমক মান্ননা অমসুং পূন্না থবক তৌমীন্নরগনি হায়খি।

GAS TODAY

**R & H Indane Service**
Booking : 11/05/18
Valid : 27/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 29/04/18
Valid : 26/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : Upto Date
Valid : 27/04/18
Stk : 500/19 kg 180

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 09/05/18
Valid : 02/05/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 04/06/18
Valid : 28/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**TDK Gas**
Booking : 14/05/18
Valid : 09/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 30/05/18
Valid : 25/05/18
Stk : 534
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 811.50/-

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 23/05/18
Valid : 19/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 23/05/18
Valid : 08/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 22/06/18
Valid : 11/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 04/06/18
Valid : 28/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 21/05/18
Sl. No. 200
Valid : 16/05/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

সনা-সুদোকু -১২০৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 1 | 8 | 5 | 2 |
| 2 | 7 | 5 | 9 | 8 | 3 | 4 | 1 | 6 |
| 6 | 8 | 1 | 4 | 5 | 2 | 3 | 9 | 7 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 2 | 6 | 1 | 7 | 9 |
| 8 | 2 | 6 | 1 | 7 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 9 | 1 | 7 | 5 | 3 | 4 | 6 | 2 | 8 |
| 7 | 6 | 9 | 3 | 1 | 5 | 2 | 8 | 4 |
| 5 | 3 | 8 | 2 | 4 | 7 | 9 | 6 | 1 |
| 1 | 4 | 2 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1209**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | | | | | 4 |
| | | 8 | | 4 | | | | |
| | | | 6 | | | 1 | | |
| | 7 | | | 8 | 2 | | 4 | 6 |
| | | 4 | | 5 | | | | |
| 9 | 6 | | | | | 3 | | |
| 2 | 3 | | 8 | 1 | 4 | 6 | | |
| | | 7 | | | | | | |
| | 1 | | | 2 | | | 8 | |